HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses
# হুইয়েন লানপাউ



মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (মুসু) গী মীহুৎশিংনা রাজ ভবনদা গভর্ণর উন্নদুনা হৌজিক মণিপুরদা থোক্লিবা মখল পুম্নমক্কী থোকহন্নীংদবা থৌদোকশিংগী লেপহন্নবা থবক পায়খৎপীনবা হায়জখিবা

লানগী ৱারী অমসুং ৱাতায়
☛ লামায় ২

খোঙজং মপুন খোল্লাও মচং
লামায় ৪

‘মীচম মীয়াম্না তংদু লৈতাবা পুন্সি মরেল পান্মী’
☛ লামায় ৫

থিবা খঙদনা লৈরিবা মহেরোয় ২ অথুবা মতমদা ইমুং-মনুংদা ...
☛ লামায় ৬

মণিপুরদা মে ৩দগী থোরক্লিবা কাঙলূপ মশেলগী লানদা মরম চাদনা খূৎ থিংজিল্লকই হায়দুনা মৈতৈ ষ্টুদেন্টস এসোসিএসনগী থৌমীশিংনা এম য়ুগী ম্যেন গেট মমাঙদা মিজোরামগী চীফ মিনিষ্টর জোরামথাঙ্গাগী মীতম মৈ থাবা



Vol. 47, Issue No. 123 | য়ূমশকৈশা, থৱানগী ৮নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Wednesday, July 26, 2023, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.00

মণিপুর গভর্ণমেন্ট করিমত্তা খঙহৌদ্রে

## তোর্বুং বাংলাদা লৈবা সেরিকলচর ওফিসকী কমপ্লেক্সতা লৈখিদ্রবা কুকি-জো মিলিটেন্টশিং লৈরোল চন্নবা শিং নান্না শেংদোকখ্রে

**ইম্ফাল, জুলাই ২৫ (ঐচএনএস) :** জুলাই ১৮দা চুড়াচান্দপুরদা বেজ তৌবা জোইন্ট ফিলনথ্রোপিক ওর্গনাইজেসন (জে পি ও) না মে ৩দগী থোরকখিবা কাঙলূপ মশেলগী লানদা লৈখিদ্রবা কুকি-জো মিলিটেন্টশিংবু ‘ত্রাইবেল মার্টর্স’ নি হায়না লৌবগা লোয়ননা ইন্দিজিনস ত্রাইবেল লিদরস ফোরম (আই টি এল এফ) কা মীফম পাঙথোক্তুনা লৈখিদ্রবশিং অসিগী হকচাংশিং বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকা লোন্নরিবা চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকীনি হায়রিবা হাওলালখোপী কুকি খুলদা পাক্তন্না লৈরোল চন্নবা ৱারেপ লৌখিবগী মতুংইন্না শেম শাবা হৌরকপদা ঙসি তোর্বুং বাংলাগী মনীং থংবা শরুক্তা লৈবা মণিপুর লৈঙাক্কী সেরিকলচর দিপার্টমেন্টকী টেক্নিকেল সর্ভিস সেন্টর অমসুং মলবরি থারক্লিবা ফামগী মফমশিং শিং নান্না শেংদোকখ্রে হায়রি।

যৌদোক অসিগী মতাংদা ফংবা পাউদা হায়বদা ঙসি অয়ুক পুং ১১ রোম তারকপদা চুড়াচান্দপুর রোমদগী তোঙান তোঙানবা গাড়ী মচা অমসুং অচৌবা ৪০ হেনবদা লাকখিবা কুকি-জো ফুরুপকী মীওইশিংনা হায়রিবা মফম অসি শেংদোক্লমখিবনি হায়রি।

মখোয়না মাস গ্রেবয়ার্ড ওইগনি হায়দুনা থৌরাং তৌরক্তুনা ৱারেপ লৌখিবনা সেরিকলচর লোয়শঙগী ওফিস অমসুং ফার্ম লৈরিবা মফম অসিগী হেক মনীং থংবদা তাইননা লৈরিবা হাওলালখোপী কুকি ভিলেজদনি। অদুবু থংননা লৈমিন্নরক্লিবা লোয়শঙ অসিগী ওফিস কমপ্লেক্সতা হৌবা উ-ৱা অমসুং মলবরি পান্বীশিং ফাওবা য়াহুৎতুনা শিং নান্না শেংদোক্লম্বনা মফম অসিদা লৈখিদ্রবা মখোয়গী মিলিটেন্টশিংগী বেরিএল গ্রাউন্দ ওইরক্নদ্রা হায়বগী ৱাহং থোরক্লে।

মফম অসিগী মতাংদা পাউচে অসিনা মরী লৈনবা মীওইশিংদা হংলুবদা ঙসি শেংদোক্লম্লিবা মফম অসি তোর্বুং বাংলাগী মনুং চন্না ইম্ফাল-টিদ্দিম লম্বীগী মনীং থংবা শরুক্তা লৈবনি। লম্বী অসিগী মমাঙদসু মায়োক্নন্না সেরিকলচর লোয়শঙগী লম অমসু লৈ। হায়রিবা লম অনী অসি মথংশিংনা লম্বীগী মমাঙদা ...মখা লামায় ৩ কলম ১

### কুকি মিলিটেন্টশিংনা নোংমৈ কাপশিল্লকপদা লৌখোং শেংলুবা মীওই ২ শোক্লে

**ইম্ফাল, জুলাই ২৫ (ঐচএনএস) :** ঙসি নুংথিল পুং ৪ রোম তারকপদা ফৌগাকচাও ইখাই পি এসনা কোল্লিবা ফৌগাকচাও ইখাই অৱাং লৈকায়গী লৌফমশিংদা ঈশিং য়ৌহনবা ঙম্নবগীদমক জে সী বি শীজিন্নদুনা লৌখোং শেংলুবা মীওই ২ তন্না কুকি মিলিটেন্টশিংনা নোংমৈ কাপশিল্লকপদগী মখোয় অনীমক শোক্তুনা লায়কন্নখ্রে।

শোক্লবা মীওইশিংদি লৈকায় অসিমক্তদগী নোংথোম্বম নাওবী এলিয়জ লোকেশ্বর (৩৮) অপোকপা এম দোলেন অমসুং জে সী বি থৌরকখিবা মীতৈপাঙল অদুনা ক্বাক্তা চরাংপাৎ ৱার্দনম্বর ৯দগী এম দি সহিদ (২৩) অপোকপা এম দি হেলালউদ্দিন কৌই হায়রি। মখোয় অনীগী মনুংদা জে সী বি থৌরকখিবা মীওই অসিদি মখূৎ অনীমক্তা নোংমৈ মরূনা পানবদগী ফীভম লুনা শোকখি অদুগা নাওবীগীনা থবাক অমসুং মায়দা নোংমৈ বেরেলগী ...মখা লামায় ৩ কলম ৪

### ফৌগাকচাও ইখাইগী লানফম খুল ঙাকপা ৩ বোম্বা পান্দুনা শোক্লে

**ইম্ফাল, জুলাই ২৫ (ঐচএনএস) :** ঙসি অয়ুক অঙনবা পুং ২.৩০ রোম তারকপদগী হৌরদুনা অয়ুক পুং ৫ ফাওবা ফৌগাকচাও ইখাইগী মফম খরদা কুকি মিলিটেন্টশিংনা নোংমৈ অমসুং বোম কাপশিল্লকখিবদগী খুল ঙাক্লিবা খুঞ্জাশিংগী মায়কৈদগীসু খূৎ হন্দুনা নোংমৈ কাপ্লখ্রবা মতুং ঙসি নুংথিল পুং ৫ তারমদাইদগী হৌরদুনা হায়রিবা মফম অসিমক্তদা নাকল অনীগী মরক্তা অকনবা মওংদা খূৎ থোক্নরকপদা কুকি মিলিটেন্টশিংনা কাপ্লকপা বোম্বা পান্দুনা খুঞ্জা ৩ শোক্লে, অমগী ফীভম লুরি।

খূৎ থোক্লবগী পাউ তাবদগী ষ্টেট ফোর্সকী পর্সনেলশিংসু চঙশিল্লক্তুনা কুকি মিলিটেন্টশিংগা খূৎ থোক্লবদা শরুক য়ারখি ...মখা লামায় ৩ কলম ১

### সী আর পি এফনা ঙাক্লগা আর এ এফ পুরকপা বস ২ সপরমৈনা পুলিস ষ্টেসনগী নাতোন শুমাংদা মৈ থাখ্রে

**ইম্ফাল, জুলাই ২৫ (ঐচএনএস) :** মণিপুরদা থোরক্লিবা তমথীরবা লান লাকশিনবদা মতেং ওইনবগীদমক ঙসি লান চত্থরকপা নুমিৎ ৮৪নি শুরকপদা দিমাপুরদগী ইম্ফাল তন্না সী আর পি এফনা এস্কোর্ট তৌরগা পুরকখিবা রেপিদ এক্সন ফোর্স (আর এ এফ) পর্সনেলশিংনা তোংলকপা বস অনী সপরমৈনা পুলিস ষ্টেসনগী নাতোন শুমাংদা মণিপুরদগী তোঙানবা লৈঙাকলোন তানবদা ...মখা লামায় ৩ কলম ৪

## চীফ মিনিষ্টর লৌথোক্তুনা প্রাইম মিনিষ্টরনা থবক পায়খৎলবদি মণিপুরদা ঈং তপ্পা পুরক্কনি : স্বাটি মালিৱাল



দেল্লী কম্মিসন ফোর ৱিমেনগী চেয়রপর্সন স্বাটি মালিৱালগা হকথেংননা উন্নবা

ডা. খাইদেম অথৌবা

**ইম্ফাল, জুলাই ২৫ (ঐচএনএস) :** মণিপুরদা হৌখিবা মে ৩দগী থোক্লক্লিবা ঈরাং অসিনা মরম ওইরগা থোক্লিবা থৌদোকশিং অমদি হৌজিক ওইরিবা অকি-তুজুংবগী ফীভম অসিদা ঈং তপ্পা পুরক্কে হায়রবদি শুপ্নগী সেন্টর গভর্ণমেন্টনা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর লৌথোক্লগা সেন্টর গভর্ণমেন্টগী প্রাইম মিনিষ্টর, য়ুনিয়ন দল্লিয়ু সী দি মিনিষ্টর অমদি হোম মিনিষ্টর মখোয় অহুম লাক্তুনা নাকল অনীমক্কী ওইরিবা ফীভমশিং অসি মুন্না য়েংলবা মতুং মণিপুরবু মতৌ করম্না ফীভম অসিদগী কনবা ঙমগদগে খন্নদুনা পাঙথোকফম থোকপা থবকশিং পায়খৎলবতদা মণিপুরদা ঈং তপ্পা পুরকপা ঙমগনি হায়না দেল্লি কম্মিসন ফোর ৱিমেনগী চেয়রপর্সন স্বাটি মালিৱালনা ফোঙদোরকখ্রে।

পাউচে অসিনা অখন্ননা ঙসি উন্নদুনা ৱারি শান্নরুবদা স্বাটি মালিৱালনা মখা তানা ফোঙদোরকখিবদা থোক্লিবা ঈরাং অসিদা মণিপুরগী নুপী কয়া অৱাবা মায়োক্নরিবসি দেল্লি কম্মিসন ফোর ৱিমেনগী টিম লাক্তুনা য়েংশিনবা পাম্মী অমদি মণিপুরগী অৱাবা নংলবা নুপীশিংদা কম্মিসনগী মায়কৈদগী অঙন্বা মতেং পাংজগে হায়না মণিপুর গভর্ণমেন্টদা অইবা চেরোল পীদুনা হায়রুবদা হান্নদি লাকউ ...মখা লামায় ৩ কলম ৬

### ইম্ফাল-দিমাপুর লম্বী হাংদোক্লবসু মীতৈগী গাড়ী অমসুং পোৎ চৈ পুরগা চৎপদদি থৱায় মাঙবগী ফীভমদা লৈরে

অতোপ্পা ফুরুপকী মীওইশিংনা চৎপদনা নমদুনা শেল লৌরে

**ইম্ফাল, জুলাই ২৫ (ঐচএনএস) :** অটসুমনা শীন্দুনা মে ৩দা চীংগী দিষ্ট্রিক্ট খরদা চৎখিবা ‘ত্রাইবেল সোলিদরিটি মার্চ’ অদুগী লোইশিল্লকপদা খঙহৌদনা কুকি-জো ফুরুপনা কোনশিনবা কাঙলূপশিংগী মীওইশিংনা নোংমৈ কাপশিন্দুনা মীতৈগী য়ূমশিং মৈ থাদোরকপদগী থোরক্লিবা কাঙলূপ মশেলগী লান অসিনা মরম ওইরদুনা মতম শাংনা কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরদা এন ঐচ-২ (ইম্ফাল-দিমাপুর) লম্বী থিংজিন্দুনা থল্লকখিবদগী হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা তৌরকপা আপীলগী মতুংইন্ননি হায়দুনা থেঞ্জাং নাইনা হাংদোকখিবদা লম্বী থিংলক্লিবা মশেলগী মরক্তা মীশি-মীনা য়াওখিবা অমসুং হায়ৱে অসিগী অথিংবা কোমথোক্লগনি হায়রকখিবা মীওই অমগী য়ূম ফাওবা মৈ থাদোকখ্রবসু হৌজিক লম্বী অসি মহৌশাগুম্না অকক্লবা পুংফম খরদা হাংদোকপা হৌরক্লে।

অদুম ওইনমক লম্বী অসিদা দিমাপুর রোমদগী চঙলকপা ওইরগসু, ইম্ফাল লোমদগী চৎখিবা ওইরগসু চৎথোক-চৎশিন তৌরিবা মখল পুম্নমক্কী গাড়ীশিং কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা কুকি-জো ফুরুপকী খূৎলায় পায়বশিংনা অকনবা মওংদা ফ্রিস্কিং অমসুং চেক্কিং তৌরি। চৎথোক চৎশিন তৌরিবা গাড়ীশিং থৌরিবা দ্রাইভর, মখোয়গী হেন্দিমেনদগী ফাওবা হেন্দোরক্তুনা তোংদুনা লাকপা মীওইশিংগী আইদেন্টিটি কার্দ অমসুং আধার কার্দনচিংবা ফাওবা কূপ্না য়েংদুনা ভেরিফাই তৌরি।

মরু ওইনা পোৎ চৈ পুথোক পুশিন তৌবা ত্রক য়াওনা অতোপ্পা গাড়ীশিংগী মপু মীতৈগী ওইব্রা নৎত্রগা ওইদব্রা হায়বদগী হেন্দোরক্তুনা পুরক্লিবা পোৎশিং অদুগী চলান ফাওবা ফাক্তুনা পোৎশিং অদু মীতৈগী ওইব্রা-ওইদব্রা হায়দুনা ফাওবা অকনবা চেক তৌবগী থবক ...মখা লামায় ৩ কলম ৬

## চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনদা অকাম্পেৎকী ৱাহৈ ইবা প্লেকার্দ পায়দুনা মিজোরামগী চীফ মিনিষ্টর জোরামাথাঙ্গানা লুচিংদুনা সোলিদরিটি রেল্লি চৎখ্রে




**ইম্ফাল, জুলাই ২৫ (ঐচএনএস) :** ঙসি ফাওবদা মণিপুরদা লেপ্তুনা চত্থরক্লিবা কাঙলূপ মশেলগী লান মায়োক্নরিবা জো মীয়ামদা সোলিদরিটি উৎপগা লোয়ননা ষ্টেট অসিগী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনদা ফজদবা অকাম্পেৎকী ৱাহৈ কয়া ইবা ...মখা লামায় ৩ কলম ৩

### মিজোরামগী চীফ মিনিষ্টর জোরামথাঙ্গাগী মীতম মৈ থাখ্রে, খূৎ থিংজিল্লকপা য়ানীংদে : এম এস এ



কছারগী বিনাকান্দি সাউথ বরাকতা হাংবা রিলিফ কেম্পদা চঙজফম লৌরিবা মিজোরামদগী মীতৈশিং

**ইম্ফাল, জুলাই ২৫ (ঐচএনএস) :** মণিপুরদা হৌজিক থোক্লিবা ৱাথোক অসি ইন্টরনেনেল কনফ্লিক্ট ওইবা মরমনা অতোপ্পা ষ্টেটনা খূৎ থিংজিল্লকপগী মথৌ তাদে হায়না মৈতৈ ষ্টুদেন্টস এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট হাউবিজম নিকেলনা ফোঙদোকখ্রে। ...মখা লামায় ৩ কলম ১

### কর্ফিয়ু কোমথোক্কনি

**ইম্ফাল, জুলাই ২৫ (ঐচএনএস):** হয়েং জুলাই ২৬তা কর্ফিয়ু কোমথোক্কদবা দিষ্ট্রিক্টশিং-ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট অমদি ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টতা অয়ূক পুং ৫দগী নুংথিল পুং ৬ ফাওবা কোমথোক্কনি। কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টতনা অয়ূক পুং ৫দগী নুমিৎয়ুংবা পুং ১২ ফাওবা অদুগা ককচীং দিষ্ট্রিক্টতনা অয়ূক পুং ৫দগী নুংথিল পুং ৫ ফাওবা কর্ফিয়ুগী অথিংবশিং কোমথোক্কনি হায়রি।

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

**HL Poll**

Q : Mizoramgi Chief Minister Zoramthangagi wangang Manipurda khamjinbinaba leitabadagi thorakliba lan ashida insinbagum thokloidra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q : Lok Sabha amasung Rajya Sabha animakna Manipurgi wapham khannasi yadribasi India leingakna Manipurbu karisu leitana khanbagi nattra?

Yes 100% No 0%

**অস! লোইরেহে!**

- সারনা থাবা উশিংদু কদাই চৎখ্রে।



-মথং চহীদমুক থারগা লোইরে।

### পেরা কম্মান্দো থমজিল্লকপদগী লাঞ্জেন্নরে : মৈরা পায়বী

**ইম্ফাল, জুলাই ২৫ (ঐচএনএস) :** থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী চন্দ্রখোং, ফাঞ্জখোং অমদি অতৈ খুলশিংগা নক্না লৈবা তাম্ভুল খুল্লেনদা লৈঙাক্না ঙরাং অহিংদগী নারোন্দা পেরা কম্মান্দোশিং থমজিল্লকপদগী চীংখোঙ-চীংয়াদা তারিবা মীতৈ খুলশিংগী মীয়াম মীপাইবা পোক্তুনা ঙসি অয়ূক্তগী লাঞ্জেন্নরে হায়না চন্দ্রখোংগী মৈরা পায়বী খাঙেন্বম অপানবীনা ফোঙদোরক্লি।

থৌওং অসিগী মায়োক্তা ঙসি পেরা কম্মান্দোশিং অথুবা মতমদা লৌথোকপীয়ু হায়দুনা চন্দ্রখোংগী মীপূনশঙদা মশীং য়াম্লবা মীয়াম্না ৱাকৎ খোঙজং চংশিনখ্রে। খোঙজং অদুদা খুলশিং অসিগী মীওইশিংনা শরুক য়াখি।

মৈরা পায়বী অপানবীনা ফোঙদোকখিবদা কুকি নার্কো টেররিষ্টশিংনা মীতৈ ফুরুপ্পা লান চত্থরকপদগী চন্দ্রখোং, ফাঞ্জখোং অমসুং অতৈ খুলশিংগী খুঞ্জাশিংনা থৱায় কঞ্জনবা অনকপা খুলশিংদা লাঞ্জেন্নখিবনি। অদুবু মহৌশাগী ফীভম হঞ্জিল্লকপদগী অমুক হল্লক্তুনা লৈনরক্লবা মতুংদা শুপ্নতগী চন্দ্রখোং খুলগা মিটর ৩০০ লোমদমক লাপ্লনা পেরা কম্মান্দোশিং থমজিল্লকপা য়ানীংদে হায়খি।

### পার্লিয়ামেন্টতা মণিপুরগী ৱাথোক নোংজু মীফমগী ৪নি চনবা নুমিৎতসু চরাংনবা থোকখ্রে

**ইম্ফাল, জুলাই ২৫ (ঐচএনএস) :** থা অসিগী ২০দগী হৌরকখিবা পার্লিয়ামেন্টকী লোক সভা অমসুং রাজ্য সভা অনীমক্কী নোংজু মীফমশিং ঙরাং নুমিৎ হুমনি শুরকপা ফাওবদা মণিপুরদা হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসিগী মতাংদা ওপোজিসন এম পিশিংনা সভা অনীমক্কী অতৈ বিজিনেসশিং কেন্সেল তৌরগা রুল ২৬৭কী মখাদা ময়েক শেংনা খন্নগদবনি হায়বা ৱাফম পুখৎলকপগা লোয়ননা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মহাক্কী ওইবা ৱারোল অমা থমগদবনি হায়বগী দিমান্দ মখা তানা চত্থরকপদগী ঙসি মরিনি চনবা নুমিৎতসু চরাংনবা থোকখ্রে।

মহৌশাগুম্না রাজ্য সভাগী মীফম হৌগৎলকপদা চরাংনবা থোরকপদগী চেয়রমেন জগদিপ ধনখরনা সভাগী মীফম নুমিৎয়ুংবা পুং ১২ তারকপা ফাওবা এদজোর্ন তৌখি। অদুম ওইনমক রুল ২৬৭কী মখাদা মণিপুরগী ফীভম খন্নগদবনি হায়দুনা এম পি ৫০না পীশিল্লকখিবা নোটিসশিংদি মহাক্না লৌশিনখি। লোক সভাদসু চপ মান্নবা দিমান্দ অসি ওপোজিসন মেম্বরশিংনা মখা তানা তৌরকপদগী সভাগী মীফম নুংথিল পুং ২ ফাওবা য়েথোকখি।

ঙসি মরিনি চল্লকপা নুমিৎ ফাওবদা ওইরক্লিবা ফীভম অসিগী মতাংদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা চেয়র লৌদুনা পাঙথোকখিবা বি জে পিগী পার্লিয়ামেন্টরি মীটিং অমদা অসিগুম্বা ওপোজিনগী মায়কৈ লেপ্তুবা থৌওং অসি মমাঙদা অমুক্তা উখিদ্রি হায়না ফোঙদোকপগা লোয়ননা ওপোজিসন পার্টিশিংনা ‘ইন্দিয়ন নেসনল দিভেলপমেন্টেল ইনক্লুসিভ এলাইএন্স’ (ইন্দিয়া) হায়না শেম্লক্লিবা অসিগী ৱাহন্থোক করিসু লৈতে। ইষ্ট ইন্দিয়া কম্পেনি অমসুং ইন্দিয়ন মুজাহিদ্দিনশিংনসু ইন্দিয়া হায়রিবা ৱাহৈসি শীজিন্নে হায়খি।

অদুম ওইনমক হোম মিনিষ্টর অমিট শাহগী মায়কৈদগীদি মণিপুরগী ৱাফম খন্ননবা লৈঙাক্না থৌরাং তৌদুনা লৈরে হায়না সভা অনীমক্কী ওপোজিসন লিদরশিংদা অইবা চেরোল পীখ্রে হায়না ত্বিটরদা ফোঙদোরক্লি।

### আই এল এল অমসুং এফ টি টি ঐচগী ব্রোদবেন্দ সর্ভিস হাংদোকপদা অয়াবা পীখ্রে

**ইম্ফাল, জুলাই ২৫ (ঐচএনএস) :** মণিপুর লৈঙাক্কী হোম দিপার্টমেন্টনা ঙসি থোকখিবা ওর্দর অমদা ঙরাং দি জি পি, মণিপুরনা পীরকখিবা রিপোর্ট অমদা হৌজিক ফাওবদা থোকহন্নীংদবা থৌদোকশিং থোকপগী পাউ য়াওনা নোংমৈ কাপ্নবগী থৌদোকশিং থোক্লি হায়রক্লগাসু কন্দিসন খরগী মখাদা লৈঙাক্না পীবা ঙাক্না চৎকদবা থবকশিং চত্থরগদি ব্রোদবেন্দ সর্ভিস (আই এল এল অমসুং এফ টি টি ঐচ) দা থল্লমবা অথিংবশিং লৌথোক্লবা ৱারেপ লৌরে হায়রি। অদুম ওইনমক ব্রোদবেন্দ সর্ভিস (আই এল এল অমসুং এফ টি টি ঐচ) পু অকক্লবা কন্দিসন খরগী মখাদা মহৌশাগুম্না শীজিন্নবা য়াহল্লকপগী মনুংদা ৱাই-ফাই/হোট স্পোটশিং মরী লৈনবা সবস্ক্রাইবরশিংনা কনেক্সন পীবদি য়ারোই হায়রি। লোয়ননা লৈঙাক্না পীরিবা কন্দিসনশিং অসি ঙাক্না চৎকনি হায়বগী অইবা ৱারোল অমসু সবস্ক্রাইবরশিংদগী লৌগদৌরি।

### ক্বার্টর ১ অমুক্কসু মৈ থারল্লে

**ইম্ফাল, জুলাই ২৫ (ঐচএনএস) :** ঙসি নুমিদাং পুং ৭ লোম তারকপদা লম্ফেলসনা কৈথেল মনাক্তা লৈবা হান্নসু মৈ থারম্বদগী চাকহৌদবা লৈঙাক্কী কা ৫ লৈবা ক্বার্টর অমা শকখঙদবশিংনা মৈ থারল্লে হায়রি।

### লৈশাবী ১ ইকায়খুম্নবা মাঙহন্নবা অমসুং হাৎনবা হোৎনরল্লে

**ইম্ফাল, জুলাই ২৫(ঐচএনএস) :** ঙরাং নুমিদাং পুং ১০.১৫ রোম তারকপদা শুগুনু পি এসকী মনুং চনবা চজিং খুনৌগী য়ূম অমদা থোকখিবা থৌদোক অমদা থোকচোম সঞ্জু এলিয়জ অবুংঙো (২৫) অপোকপা টি ঐচ মাইমু মীতৈ কৌবা নহা অমনা চহী ২৬ লোম শুরবী লৈশাবী অমা ইকায়খুম্নবা মাঙহন্নবগীদমক ৱাখল তাহন্দনবা মকোক্তা অরূম্বা পোৎশক অমনা থোল্লুবদগী মী হাৎলে হায়না লাওরকপদগী নহা অসিনা লৈশাবী অসিবু কাটিগুম্বা অতুম্বা পোৎশক অমনা মহাক্কী হকচাংগী মফম ২৭তা থিন্দুনা হাৎননবা হোৎনরল্লে হায়রি।

লৈশাবী অসিনা লাওরকপদগী চেন্থোকখ্রবা নহা অসি থৌদোক অসিগী মতাংদা শুগুনু পুলিসনা লৌখৎপা কেসকা মরী লৈননা ফাগৎখ্রে। মহাক্না লৈশাবী অসিবু মী লৈতবগী খুদোংচাবা লৌদুনা ইকায়খুম্নবা মাঙহন্নবা হোৎনরকপদা হায়দোরক্লগনি খনবদগী হাৎননবা হোৎনরম্বনি হায়রি।

## মিজোরামদা লৈবা মীতৈশিংদা মণিপুরদা থোক্লিবা ঈরাং লোইশিন্নবা হোৎনৌ হায়দুনা কিহল্লকপা কুইরে

**হকথেংনবা পাউদম**

*মিজোরামদগী লাঞ্জেল্লকপা মীতৈ অমা*

**ইম্ফাল, জুলাই ২৫ (ঐচএনএস) :**

মে ৩, ২০২৩দগী মণিপুরদা কুকি-জো ফুরুপনা কোনশিনবা অপীকপা কাঙলূপশিংগী অপূনবা খূৎপুনা ষ্টেট অসিদগী মখোয়গীদমক তোঙানবা এদমিনিষ্ট্রেসন ফক্তোক্তুনা লৌগনি হায়বগীদমক মীতৈশিংদা ওনশিন্দুনা অকনবা লান চত্থবা হৌরকখিবগা মিজোরামদা লৈরক্লিবা মীতৈশিংদা ষ্টেট অদুগী তোঙান তোঙানবা লূপশিংনা কিহন-খংহনবগী থবকশিং হেক্তমক তৌরকখিবদি লৈতে। অদুবু মণিপুরদা থোরক্লিবা কাঙলূপ মশেলগী অকনবা লান অসি নুমিৎ ৮০নি হেল্লক্লবা ফাওবদা লেপ্লক্তবনা থা অমমুক্কী মমাঙদগী হৌরদুনা মিজোরামগী তোঙান তোঙানবা লূপশিংগী মায়কৈদগী ষ্টেট অদুদা লৈরক্লিবা মীতৈশিংদা অকনবা ৱাফমশিং ফোঙদোরকপা হৌরকখ্রে হায়না থা অসিগী ২৩গী অয়ূক পুং ১০ রোম তারকপদা অসামগী কছার দিষ্ট্রিক্টকী বিনাকান্দি পার্ট-২ (সাউথ বরাক) কমপ্লেক্সতা হাংবা রিলিফ কেম্পদা য়ৌরকখ্রবা মীতৈ অমনা ফোঙদোরক্লি।

মহাক্না হায়, লান মখা তানা শোক্নরিঙৈগী চৈরক্তা হৌখিবা জুলাই ১৯দা মণিপুরদা নুপী অনীদা অমোৎপা থবকশিং চত্থখি হায়বগী ভিদিওনি হায়বা অমা ভাইরেল ওইরকপদগী মিজোরামদা লৈরক্লিবা মীতৈশিংদা অমুক্কা হেন্না মখোয়গী পুন্সিদা করি থোরক্কদগে হায়বগী থুকৎপা অমসুং নীংজিং-মাঙজীংনবা হৌরকখি হায়রি।

মহাক্না অতোপ্পা মিজোরামদা লৈমিন্নরকখিবা মীওইশিংগা লোয়ননা মণিপুর য়ৌনবগী পান্দমদা লাঞ্জেন্নরক্ত্রিঙৈ মমাঙ ফাওবদদি মিজোরামগী ওর্গনাইজেসন অমত্তনা ‘মীতৈশিং মিজোরাম থাদোক্তুনা চৎখ্রো’ হায়বনচিংবা হায়রকপদি য়াওখিদে। অদুবু ঙাইহাক লৈতনা মিজোরামগী তোঙান তোঙানবা লূপশিংনা য়াম্না কন্না হায়রকপা ৱাফমদি হৌজিক মণিপুরদা থোক্লিবা কাঙলূপ মশেলগী ঈরাং অসি নেমথনবা নখোয়গী মায়কৈদগী তৌবা য়াবা থবকশিং তৌগদবনি, থবক খরা পায়খৎলু, নখোয়না মণিপুরগী ঈরাং নেমথনবগীদমক পায়খৎলকপা থবকশিং ঐখোয়না কূপ্না য়েংশিনগনি, করিগুম্বা ঐখোয়না হায়রিবা থবক অসি তৌরক্ত্রবদি অফবা ওইরোই হায়বা ৱাফমদি ফোঙদোরক্লি হায়রি।

ৱাফম অসি ফোঙদোরকখিবশিংগী মনুংদা মিজোরামদা লৈবা জোরো (জো রি-য়ুনিফিকেসন ওর্গনাইজেসন) অমসুং এম জেদ পি (মিজো জিরলাই পোল) নচিংবা য়াওরি হায়রি।

ৱাফমশিং অসি মিজোরামদা লৈরক্লিবা মীতৈশিংদা ফোঙদোরকপগী মথক্তা মখোয়না থা অসিগী ২২গী নুংথিল পুং ২ রোম তারকপদা মিজোরাম থাদোক্তুনা চেল্লক্লমদাই মমাঙগী চয়োল অমরোমদগী হৌরদুনা ‘অশোয় অঙাম থোকহন্নীংদ্রবদি মপান থোরক্কনু’ হায়বা ৱাফমসু থেঞ্জাং কয়াদা ফোঙদোরকপা লৈখ্রে হায়রি।

মিজোরামদা লৈরক্লিবা মীতৈশিং অয়াম্বনা ষ্টেট অদুগী মীওইশিংগী অশানবা কাদা লৈরকপনি। অদুবু কনাগুম্বা মীতৈ খরদি মখোয়না মিজোরামদা তোঙান তোঙানবা শিনফমদা থৌদাং লৌদুনা থবক তৌরকপদগী মখোয়গীদমক লম পীদুনা য়ূম-কৈ শাহল্লগা লৈহনবা য়াওই। অদুম ওইনমক মখোয়দা পীরিবা লমশিং অদুগী পাট্টানচিংবদি পীদে। মিজোরামগী ভিলেজ কাউন্সিলনা পার্মিট পীরগা মদুগীদমক লেপথোক্লবা টেক্স পীরগা লৈনরকপসু য়াওই হায়রি।

মিজোরামদা লৈবা ৱাই এম এ (য়ঙ মিজো এসোসিএসন) গী মায়কৈদগীসু ষ্টেট অদুদা লৈরক্লিবা মীতৈশিংদা করিসু থোক্লোই, অদুমক লৈয়ু হায়বনচিংবা ৱাফমশিংদি ফোঙদোকই। অদুবু মীতৈশিংনা চঙজফম লৌদুনা লৈরক্লিবা কাশিং অদুগী মপুশিংগী মায়কৈদগীদি ‘নখোয় শাফগদবা মফমদা চৎহৌবনা ফগনি’ হায়বা ৱাফমশিং ফোঙদোরকপা য়াওরকপদগী ষ্টেট অদুদা তং তাবা ফীভম অমা ওইরক্ত্রিবা ফাওবদি শাংথনা লৈরুবদা খুদোংথীবা মায়োক্নরক্কনি খনবদগী লাঞ্জেন্নরকখিবনি হায়রি।

মিজোরামদা লৈরিবা মীতৈশিংনা মায়োক্নরকখিবা অকি-তুজুংবা ৱাফমশিং অসিদগী ষ্টেট অদুদা লৈবা মীতৈশিংগী অপূনবা লূপকী থৌপুবশিংদসু পাউ তমদুনা ৱারী-ৱাতাই শান্নে। মিজোরাম লৈঙাক্কী মরী লৈনবা ওফিসলশিংগসু উন্নে। অদুবু ‘অশোয় অঙাম থোক্লিংদ্রবদি নখোয় নখোয়না লৈরিবা মফমশিংদগী থোরক্কনু’ হায়বা ৱাফম তোয়না হায়রকপদগী তঙাইফদনা লাঞ্জেল্লকখিবনি হায়রি।

### অসামগী বিনাকান্দি রিলিফ কেম্পদা লাঞ্জেল্লকপা মিজোরামদগী মীতৈ ৬৯ শুরে

**ইম্ফাল, জুলাই ২৫(ঐচএনএস) :**

মিজোরামগী সী এস ওশিংনা অকি অখং পীরকপদগী ষ্টেট অদু থাদোক্তুনা অসামগী কছার দিষ্ট্রিক্টকী বিনাকান্দি সাউথ বরাকতা হাংবা রিলিফ কেম্পদা চঙজফম লৌদুনা লৈরকপা মিজোরামদগী মীতৈ ৬৯ শুরে।

রিলিফ কেম্প অসি লখিপুর কছারগী মোনিটরিং কম্মিটিনা শীন্দুনা হাংদোকপনি। রিলিফ কেম্প অসিগী মতাংদা মোনিটরিং কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট কান্তনা ফোঙদোকখিবদা কেম্প অসি থা অসিগী ২২দা হাংবনি। মিজোরামদা লৈরকখিবা মীতৈ ইচিল ইনাওশিংদা তোঙান তোঙানবা মফমদগী ফোন তৌরকপা য়াওনা মিজোরামগী সী এস ওশিংনা থোরকপা অকনবা চেরোলশিংদগী লাঞ্জেন্নরক্লবদি হায়দুনা চঙজফম পীননবা হাংদোকপনি। মীওই অনীদি গুৱাহাটিদা চৎখ্রে অদুগা অমনা ইম্ফাল তন্না এরোপ্লেনদা চৎখ্রে। খুদোংচাবা ফংলগদি মখা তানা ইম্ফাল লোমদা এরোপ্লেন তোংদুনা চৎনবগী থৌরাং তৌনবসু য়াওরি হায়রি।

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫